## রিটর্নিং ওফিসরশিংগী...

*লামায় ১গী মখা...* ত্রেনিং অসিগী সেসনদনা অনিল সালগোত্রা অমসুং এন এল এম টিশিং ওইরিবা রিয়াজ ভাট্ট অমসুং প্রমোদ শাহ্না এক্সপেনিদচর মোনিটরিং, মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট, পোষ্টেল বেলোট, পোল্লিং পার্টি অমসুং পোল দে এরেঞ্জমেন্ট, ঈ ভি এম - ভি ভি পেদ এদমিনিষ্ট্রেটিভ, ঈ ভি এম - ভি ভি পেদ হেন্স ওন, পেদ ন্যুজ অমসুং এম সী এম সী অমদি কাউনিটংগী মতাংদা রিসোর্স পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

ঙসি হৌদোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা এদিসনেল সী ঈ ও, মণিপুর নাওরেম প্রবিন, জোইন্ট সী ঈ ও রমানন্দ নোংমৈকাপ্পম, জোইন্ট সী ঈ ও (২) এম দি এস দাওলাট খান, রিটর্নিং ওফিসর অমসুং ষ্টাফশিং অমদি নেসনল লেভেল মাষ্টর ত্রেনরশিংনা শরুক য়াখি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.066474 |
| US Dollar | 74.930465 |
| British Pound | 103.605243 |
| Australian Dollar | 56.321455 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.745239 |
| Japanese Yen | 0.657469 |
| Malaysian Ringgit | 18.068297 |
| Singapore Dollar | 55.698723 |
| South Korean Won | 0.064309 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.981457 |
| Thai Baht | 2.264971 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47124.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47460.00 |
| Delhi | – | Rs | 47376.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47710.00 |

## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available :19-10-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no. 9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg. please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk up-to-date**
Home delivery contact no : 9366471778, 8974087390, 8787632782

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING: BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 06/09/21**
Valid from 03/09/21
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 09/10/2021
**BOOKING UPTO: 12/10/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI,**
**Bking upto 28/8/21**
Valid from 26/8/21.
**Stk 306,**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

## ৪৯শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, ২০২০-২১গী অথোই অহেন লাউথোকখ্রে
# মঞ্জিতানা বেষ্ট এক্টর অমসুং সুপ্রিনানা বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): থা অসিগী ১৮দগী চত্থরকখিবা ৪৯শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলগী নুপী শুমাং লীলা কাঙলুপকী অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম ঙরাং ফাওবদা মপূং ফানা লোইশিনখ্রবা মতুং ঙসি চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা মকোক মথং তাখ্রবশিং য়াওনা অতৈ মনাশিং ফংলগদবী লীলারোয়শিংগী মমিং মথাশিং লাউথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্কী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা লীলা ফেষ্টিবেল অসিগী রিজল্ট ঙসি শঙলেন অসিদা একাদেমিগী প্রোগ্রাম ওফিসর কৈশাম রাজুমনিনা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ফেষ্টিবেল অসিদা উৎখিবা লীলাশিংগী মনুংদগী বেষ্ট এক্টরগী মনানা কংজাবী মৈতৈ আর্টিষ্ট কম দ্রামা এসোসিএসনগী 'নুংশি লিচিং' দা য়াওসুরাকপগী শক্তম লাংখিবী টি ঐচ মঞ্জিতানা ফংলগনি। সেকেন্দ বেষ্ট এক্টরনা ৰেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী 'তংফদ্রবা লিপুন' দা তাবুংবগী শক্তম লাংখিবী ক্ষেত্রিময়ুম সুসমানা ফংলগনি অদুগা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনানা ৰিমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী 'নোংজাবী' দা লৈমহলগী শক্তম লাংখিবী আই সুপ্রিনানা ফংলগনি।

সেকেন্দ বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনানা ৰেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী তংফদ্রবা লিপুনগী লারলাসাংনুগী শক্তম লাংখিবী সী ঐচ লিলাবতিনা ফংলগনি। বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনাসু লীলা অসিমক্তা চীংদাই খুল্লাকপগী শক্তম লাংখিবী কে সঙ্গীতানা ফংলগনি। অদুগা সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনানা চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনগী 'কায়ন ৰাশক' তা লুৰাং নিংথৌ খুনথিবগী শক্তম লাংখিবী এন বিজেন্তি লৈমনা ফংলগনি।

বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসতা ৰেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী তংফদ্রবা লিপুনগী সনরেম্বী শাখিবী এম লোলিবলানা ফংলগনি। সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসনা ৰিমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী নোংজাবীদা থরো অশংবী শাখিবী পি নন্দরানিনা ফংলগনি।

কোমিক রোলগী বেষ্ট এক্টরদা ৰেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী তংফদ্রবা লিপুনগী হোংচুংগী শক্তম লাংখিবী এল থম্বাল, সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর (কোমিক রোল) দা কংজাবী মৈতৈ আর্টিষ্ট কম দ্রামা এসোসিএসনগী নুংশি লিচিংগী ঙানু লৈমা শাখিবী টি জেনি, বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্টতসু লীলা অসিমক্কী হিয়াইনুগী শক্তম লাংখিবী বেবি এন জি প্রিয়ালক্সমি, সেকেন্দ বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্টতা অলটর্নেটিভ থিএটরদি ঐদি ঙাইখিনিদা ইচাগী শক্তম লাংখিবী বেবি লমঙানবী, বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা ৰিমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী নোংজাবীগী অইবা নিলধজ খুমন, সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপ্টতা চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনগী লীলা কায়না ৰাশক ইখিবা টি ঐচ গ্যানেন্দ্রোদা পীরগনি হায়রি।

অদুগা হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসিদা উৎখিবা অপূনবা লীলা ১৪গী মনুংদা ৰেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী লীলা তংফদ্রবা লিপুনগী দিরেক্টর ইবোয়াইমা খুমনদনা বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা পীরগনি। লোয়ননা সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরগী মনানা ৰিমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী লীলা নোংজাবীগী দিরেক্টর পি বিরকুমারদা পীরগনি হায়রি। অদুগা ফেষ্টিবেল অসিগী বেষ্ট প্রদক্সনগী মনানা ৰেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী লীলা তংফদ্রবা লিপুনদা পীরগনি অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সনগী মনানা ৰিমেন্স আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী লীলা নোংজাবীদা পীবগা লোয়ননা অহুমশুবা বেষ্ট প্রদক্সনগী মনানা কংজাবী মৈতৈ আর্টিষ্ট কম দ্রামা এসোসিএসনগী লীলা নুংশি লিচিংদা পীরগনি হায়রি।

## ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটকী য়ূমদা ...

*লামায় ১গী মখা...*আর কে আনন্দনা হায়খি, ঙসি নুমিদাং পুং ৬ খরা হেল্লকপা মতমদা লাক্লিবা এসেম্ব্লি মীখল অসিদা মহাক্না লম্বা পানগদৌরিবা সোরাইসম কেবিগী মপুরোইবা সোরাইসম গোবিন্দনা য়াইফরেল কৌবা মীওই অমগা মহাক্কী য়ূমগী থোঙ্গাল মনুংদা চঙলকখি। নুমিদাংগী মতম অসিদা মহাক্না চঙলক্লিবা অসি চিংননীংঙাই ওই। মহাক্না চঙলক্লিবা অসি করি তৌগদৌরিবনো, ক্রাইম থোকহন্নবা লাক্লিবা, বোম থম্মনবা লাক্লিব্রা নৎত্রগা নোংমৈ কাপশিনবা লাক্লিব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওবদগী মীয়াম্না ঈরাং অসি হৌরকখিবনি। ঐহাক্কী য়ূমগী গেট মনুংদা গোবিন্দনা চঙলক্লগা য়ূমথংননা লৈমিন্নরিবা শাগৈগী ইচিন ইনাও অমগী য়ূমদা চঙশিল্লকখিবা অদু আর কে আনন্দ ইশামক্তা অতম্মনা এটেক চত্থনবা লাকখিব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। থৌদোক অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদসু পাউ পীজখ্রে। হৌখিবা মতমশিংদা মীখলগা মরী লৈননা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিবা লৈত্রি। অদুবু লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা এক্স এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্র অমদি সোরাইসম ওংবী কেবিগী ৱার্করশিংগী মরক্তা ফুন-চৈনবা, নোংমৈ কাপশিন্দুনা কিহনবনচিংবা কয়া লৈখ্রে। ঙসি থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতসু ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা ৰাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবী সোরাইসম ওংবী কেবিগী মপুরোইবা গোবিন্দনা পাউমীশিংদা হায়খি, মহাক মশামক য়াইফরেল অমদি দোনগা লোয়ননা ক্বাকৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা খঙন-চান্নবশিংগা উনখি। মতম অদুদা এক্স এম এল এ আর কে আনন্দগী মনাওনুপা থোকপা আর কে মোনিলনা মখোয়দা লাক্লবা হায়রকপদগী য়াইফরেলগা লোয়ননা মোলিনগী ময়ূমদা চঙলুবনি। অদুগা দোননা গাড়ীদা ফমদুনা লৈহৌবনি। মদুদা দোনবু লম্বীদগী ফারগা এলিগেসন কয়া তৌরকপা অসিদি য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদি তৌহন্নীংদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## ঙসি য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর সোভা লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): নোংমগী খোঙচৎতা হয়েং লৌউ-শিংউ অমদি য়াইফ য়ূম্বালগী ষ্টেট মিনিষ্টর সোভা করান্দা লাজে ইম্ফালদা লাক্কদৌরি।

## গো টু হিলস ...

*লামায় ১গী মখা...*অমা পাঙথোক্তুনা সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২১দা ফমখিবা এন পি ও প্রসিদেন্সিএল কাউন্সিল মীটিংনা লৌখিবা গো টু হিলস - ২.০ বোয়কোট তৌনবগী রিজোল্যুসন নম্বর ২ অদু হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌরবা মসিগী বিল পুথোক্লবগীদমক অখন্নবা এসেম্ব্লিগী মীফম কৌদ্রিবা ফাওবদি বোয়কোটকী খোঙজং মখা চত্থিগনি হায়রি।

## লুপা লাখ ১০.১৭ ফারে

*লামায় ১গী মখা...*আরগী মায়কৈদগী শেনফমশিং অদু করি মরমগীদমক কন্দাইদগী পুরকপনো হায়দুনা হংবদা খুন্বা ঙমদবদগী ফাগৎখিবনি। ফারবা মীওই ২দু মখোয়না তোংলকপা গাড়ী অমসুং শেলশিংদুগা লোয়ননা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## হোৎনবা কনবনা অপাম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টরনা মখোয়গী পূক্নিং থৌগৎলদুনা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং ওইরক্লবা হোৎনগদবনি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা এন্টরপ্রাইসশিংগী থবক থৌওংশিংদসু অপেনবা ফোঙদোকখি।

ওন্ত্রপ্রেন্যুর ওইবনা ইমুং অমগী শেন্নীৎলোন ফগৎহনবদা নত্তনা থবক ফংহনবা অমসুং খুন্নাই অসিদা থবক ফংহন্নবগী মচাক অমা ওইহল্লি হায়খি।

মিনিষ্টরনা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্টকী মতাংদা পল্লদুনা হায়রিবা শিনফম অসিগী খুদোংচাবা ফংগদবা নহারোলশিংনা মসিগী ত্রেনিং মপূং ফানা লোইশিনবা তঙাইফদে হায়খি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ফিশাবী পুম্নমক অমসুং হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্টকী আর্টিসানশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা লাক্লি হায়রদুনা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্ট সেক্টরদা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং অমসুং শেলগী তেংবাঙশিং পীরি হায়খি।

হৌজিক্তি হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্টকী ওইনদি কনাগুম্বা অমনা মসিদা চঙলিবা রো মেটরিএলশিং অদু অতাবা মমলদা মখোয় মখোয়গী য়ূমশিংদা ফংবা ঙম্লগনি হায়খি।

হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্ট খক্তা নত্তনা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদনসু মসিগী পোত্থোক পুথোক্লিবা মীওইশিংদা মখোয়গী পোত্থোকশিং য়োন্নবা মফম পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

শান্ন-খোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী ঈদা য়াওরক্লবা মচৎ অমনি হায়রদুনা ঐখোয়না মসিবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না হকচাং কন্না লৈরবদি ঐখোয়গী পূক্নিং ৱাখলসু মপাঙ্গল কনখৎহনগনি। এদ্যুকেসননা খুন্নাইগী য়াঙলেন শরুনি হায়রদুনা হৌজিক্তি শান্ন-খোৎনবা অসিসু এদ্যুকেসনগী শরুক অমা ওইরক্লে হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা নহারোলশিং অদুবু 'ভোকেল ফোর লোকল' হায়বসিদা পূক্নিং থৌগৎলদুনা ঐখোয়না মপান্দগী পোৎলমশিং য়াম্না লৈরিবমখৈ ঐখোয়গী শেনফমশিং হেন্না চাদিং তৌগনি। মরম অসিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী পোত্থোকশিংবু মপান্দা থাদোক্লবা হোৎনবনা ঐখোয়গী শেন্নীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি হায়খি। ঙারুংফুং ভিলেজদা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মীয়াম্না পাক শন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবসু মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী লোকল লিদরশিংগী খূত্থাংদা আপীল তৌখি।

## য়ু কে এল এফকী চ্যেরমেন...

*লামায় ১গী মখা...* ডা. এম রতনকুমারবুসু কোর্টনা এগজামিনেসন তৌনবগীদমক মঙোন্দা নোটিস ইস্যু তৌনবা খঙহনখি।

কোর্টকী ওর্দর অসি ঙরাং এক্ক্যুইজ অসিনা মহাকপু মখা তানা মেদিকেল ত্রিটমেন্ট পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক য়ামদ্রবদা থা ২গী ইন্টরিম বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা ৰাফম খন্নরবা মতুংদা পীখিবনি।

এক্ক্যুইজ অসিগী মায়কৈদগী মহাকপু মেদিকেল গ্রাউন্দদা থা ২গী ইন্টরিম বেল পীবিয়ু হায়জরকখ্রবসু কোর্টনা মহাক্না প্রেয়র তৌরক্লিবা নুমিৎ মশীং অদু শুনা পীখিদে। অদুম ওইনমক কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং নবেম্বর ২৪, ২০২১দা পাঙথোক্লগনি হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবদি মঙোন্দা কোর্টনা হান্না পীখিবা ইন্টরিম বেল অদু শাংদোকহল্লে হায়খি। লোয়ননা এন আই এগী মায়কৈদগীসু মখা তানা ওবজেক্সন রিপোর্ট পীখৎলক্লবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, নোংমৈ মাঙখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অহানবদা মণিপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলম্লবা মতুংদা এন আই এদা খূৎশিন্নখিবনি অদুগা এন আই এগী মায়কৈদগীনা কেস নম্বর আর সী - ০২/২০১৮/এন আই এ (গৌহাটি) বু জুন ১, ২০১৮দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

এজেন্সী অসিনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরক্লবা মতুংদা কোর্ট অসিদা চার্জশীট থাগৎলকপদগী মসিগী ৱায়েল চত্থনবগীদমক কোর্টনা স্পেসল ত্রাইএল (এন আই এ) কেস নম্বর ১ ওফ ২০১৮ লৌখৎখিবনি।

অদুম ওইনমক এন আই এনা কেস অসিগী চার্জশীট থাগৎলকপা মতম ফাওবদা মীরোৎ ওইদুনা লৈরকপদগী প্রোক্লেম এবস্কোন্দরনি হায়দুনা ফাওবা লাউথোক্লরবা য়ু কে এল এফকী চ্যেরমেন অসি সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২১দা কোর্ট অসিদা সরেন্দর তৌরক্লবা মতুংদা এন আই এগী কষ্টদিদা থম্লকখিবনি। অদুবু হেল্থ গ্রাউন্দদা মহাকপু সেপ্টেম্বর ২১, ২০২১দগী ঙরাং ফাওবদা থেঙ্খাং নাইনা ইন্টরিম বেল লৌদুনা লৈরকখিবনি।

ঙরাং মহাক্না কোর্ট অসিদা ইন্টরিম বেল মখা তানা পীবিনবা হায়জরকখিবদা এন আই এগী মায়কৈদা লেপখিবা এজেন্সী অসিগী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগীদি এক্ক্যুইজ অসিনা মখা তানা মেদিকেল ক্যের অমসুং এটেন্সন লৌনবগীদমক্তা সবমিট তৌরক্লিবা মহাকপু লায়েংবগী চে চাংশিং অসিনা প্রাইমাফেসিদা মতিক চাবা দোক্যুমেন্টশিং ওইদে হায়বা ৰাফম কোর্টতা সবমিট তৌখিবনি।

## পোং লম্বী থুগাইবা লেপত্রবদি অফবা ওইরোই...

*লামায় ১গী মখা...* লম্বী অসি কোয়লাস থাদুনা অফবা লম্বী ওইদুনা হৌজিক মীয়াম্না চৎনরিবনি। অসুক ফরিবা লম্বী অসি শেমগনি হায়দুনা থুগাইরকপনা মীয়ামদা অপনবা পীরে, গাড়ী চৎপা য়াদ্রে অমসুং খোঙনা চৎপদা ফাওবা খুদোংচাহন্দ্রে। ঙসি ৪/৫নিগী মমাঙদগী পোং লম্বীগী কোয়লাসশিং থুগাইরক্লিবা অসি করিগীনো হংলুবদা লম্বী শেমজিন্নবনি হায়না খুন্মী। অদুবু করিসু তৌদ্রিবা অমসুং শোকচিন্দ্রিবা লম্বী অসিবু করিগী থুগাইরিবনো হায়নসু হংখি।

থৌদোক অসিগী মমাঙদসু টিনিসিদ রোদ তাবা অয়েকপম লম্বী হায়না খঙনরিবা লম্বী অসিসু কোয়লাস থানবগীদমক পাকা লৌখিবা চহী ২ হেল্লে। মসিদনা কোয়লাস থাবগী মহুত্তা হান্নদগী কোয়লাস থাদুনা ফীভম ফনা মীয়াম্না চৎনরক্লিবা পোং লম্বীগী কোয়লাসশিং শেমজিনগনি হায়না থুগাইরকপসি মরম চাদে। থৌওং অসি য়াবা ঙম্লোই। অফবা লম্বী থুগাইবগী মহুত্তা ফত্তবা লম্বীশিং শেমজিনবা য়াদব্রা। শেমজিন্নীংঙাই ওইরিবা লম্বীশিংগী মনুংদা পোরোম্পাৎকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস তাবা লম্বী অসিসু নূঙ থারবা মতুংদা কোয়লাস থাদ্রিবনি হায়খি।

থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা হংলুবদা ফোন নম্বর অমা পীরকপদগী থিকাদারনি হায়দুনা হংলুবদা নম্বর অদু থিকাদারগী ওইরমদে। এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র অমগী ওইরম্মী। লোয়ননা পোং লম্বীসু মশক খঙদবা এ ঈ ওইরম্মী হায়রি।

মহাক্না অয়েকপম লম্বীদা পাকা লৌরগা কোয়লাস থাদনা লৈরে হায়বা ফীভমসু খঙলমদে। অদুবু ইনক্কারি অমুক্তং লাকচখিগে হায়দুনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

করিগুম্বা কোয়লাসকী ফীভম ফনা লৈরিবা পোং লম্বীবু মখা তানা থুগাইরক্লবদি মসিদা শীজিন্নরিবা জে সী বিনচিংবা মেছিন পুম্নমক মৈ থাবা য়াওনা থুগাইনবা মৈরা পায়বীশিংনা লেপ্পরে। মসিদা থোরকপা খুদিংমক মশা মশানা থৌদাং লৌজগদবনি হায়খি।

## সনামহী লাইনীং মূখৎনবগী ৰাফম ...

*লামায় ১গী মখা... অমা* পুশিল্লক্কনি হায়বসিদি কোংগ্রেস পার্টিনা য়াবা ঙম্লোই। থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি অদুগা মসিদি সেক্যুলরিজমগী ৰাহম্পোক নত্তে, কম্যুনেলিজমগী ৰাহম্পোকনি হায়খি।

মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা তোঙান তোঙানবা লাইনীং ময়াম অসি লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসন্দা পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিংগী মনুংদা ফ্রিদম ওফ রিলিজন হায়বসিসু য়াওরিবনি। অদুবু ঙসিদি মদুগী রিলিজন অমদি ফ্রীদম অদু কদাইদা চৎখ্রে হায়বা ৰাহংসু হংলদুনা সনা কোনুং মনুংগী মতাংদা থোরক্লিবা থৌওং অসি লৈরিবা লাই অহুমগী খূভম - য়ূমজাও লাইরেম্বী, গুরু নোংশাবা অমদি ইবুধৌ পাখংবগী মফমশিং অসিদা থুগাইরগা করম্না মণিপুর লৈঙাক্না চঙশিল্লুরিবনো হায়খি।

লৈবাক হায়বসি ষ্টেটকী ওইরো নৎত্রগা সেন্টরগী ওইরো, মখোয়দি শেলনা লাইশঙ শাবা, চর্চ, মন্দির অমদি মসজিৎ শাবা য়াদে। মরমদি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অসি সেক্যুলরিজম ওইদুনা লৈরিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈঙাক্না অকক্লবা লাইনীং অমগীদমক্তা শেল পীবা য়াদে হায়খি।

চহী লিশীং ২/৩ হেল্লবা ঐখোয়গী খুভম অদুবু মূখৎলগা কনা কনাগুম্বা সনামহী লাইনীংগা মরী শুংলৈ লৈনদবা অমা নমফুন্দা থমজিনগনি, পুলিস থাজিনগনি অমদি মাইচৌ চঙবা থিংগনি হায়না তারি। করিগীদমক মাইচৌ চঙবা থিংগদৌরিবনো। ঙরাং নুমিদাং ফাওবদি চঙবা য়াই হায়না তাই হায়বা ৰাফম থম্লদুনা পেলেস কম্পাউন্দ মনুংদা দিভেলপমেন্ট ময়াম অমা তৌরি। মখোয়শিং অদু করম্বা প্রোজেক্টকী মখাদা তৌরিবা দিভেলপমেন্টগী থবকশিংনো হায়বা ৰাহংসু হংখি।

মরম অদুনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনরা, মণিপুর লৈঙাক্নরা নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী করম্বা প্রোজেক্টকী করি করম্বা বেসিসতা তৌরিবনো হংখি।

অমরোমদা, মালেমদগী মীতৈগী খোঙ্গুল মূখৎনবা শীনবীগনু হায়না ৰাংখৈ থম্বালখোংদা হেদ ওফিস ওইরিবা মীতৈ মরুপ (মীতৈ লৈপাক) কী সেক্রেটরি জেনরেল অঙোমচা সেরাম গোজেন্দ্রো মীতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীতৈনা হিন্দু লাইনীং চৎত্রিঙৈ য়েলহৌঙদগী লৈরক্লবা অমাইবা-অমাইবী লোইশঙ (মরূ লোইশঙ) হৌজিক্কী লোন্দা পন্দিট লোয়শঙ হায়না লিংদুনা লৈরিবা অমদি লৈবাক নিংথৌগী অরুবা থৌরম থৌদা কয়াদা ঈরাৎ থৌরম তৌদুনা অমদি থৌনিদুনা লাক্লিবা লাইনিংথৌ নোংশাবগী খুভম, ইমা য়ূমজাও লাইরেম্বী খুভম অমদি ইবুধৌ পাখংবগী খুভম মূখৎতুনা হিন্দু লাইনীংগী কাং চিংবগী কাংগী কাংখোংগী থম্ফম ওইগনি হায়দুনা শেমগৎ শাগৎলিবা অসি মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা খুদক্তা লেপহনবীদুনা মালেমদগী মীতৈগী খোঙ্গুল মূখৎনবা শিনবীগনু অমদি মীতৈ মরক্তা মানা হিন্দুনি, মানা মীতৈনি হায়না তোঙান তোঙান্না উহন্নবা, য়েংথিহন্নবগী পোরম য়াৎপীগনু। মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লক্ত্রিঙৈ মৈতৈশিংগী নুংগী ৰাখল্লোন খঙনা লৈঙাক্না থবক পায়খৎপীরক্তব্রদি মীতৈ মরুপ্না তূমিন্না খক লৈথোক্লোই অমদি মীতৈবু নুংশিজবা লৈথোল কয়াগা খূৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনবদা মীতৈ মরুপনা অচৌবা থৌদাং য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা হয়িং খোংবাল উফোং য়ূম্ফমদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হৌখিবা চৈচৎ ১৯/৭/২০১৯দগী চৈচৎ ২১/৭/২০১৯ ফাওবা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা মীফম ফমদুনা সনামহী লাইনীংগী চৎন-পথাপ অমা পুথোকমিন্নখ্রে অদুবু মীফমদুদা য়ানখিবা ৰাফম কয়া অদুদা হেনজিনখিবা অমদি ৰাৎহৌবা কয়া য়াওবা থেংনবদা নত্তনা ৰাঙুলোনসু য়াওরমদ্রে। মরম অসিনা ৰাৎলল্লিবা, হেল্লল্লিবা কয়া অদু খন্ন নৈনরগা অমুক হন্না শেমদোক শেমজিন তৌনবগীদমক লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দনা লৈবাক মীয়ামদা অমুক হন্না খন্নবা মথৌ তারে হায়না লৌরগা লাক্লিবা চৈচৎ ২৯দগীনা চৈচৎ ৩১/১০/২০২১দা লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙদা খন্নবগী মীফম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মীফম অসিদা লৈবাক্কী অখঙ অহৈ, লন্নাই অমদি লূপ পুম্নমক্না শরুক য়াবীনবগীদমক মীং, লৈফম অমসুং ফোন নম্বরশিং পীশিনবীরকউ হায়রি।

## জেলদা ১ থাজিনখ্রে, ৩ বেল পীখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্টরিম বেল পীখিবনা কোন্থৌজম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান হৈস্নাম মনিস্না (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ জুগিন্দ্রো, খাবম বমদিয়রনি। মহাক লুপা লিশীং ৫০ অমসুং মসিগা মান্নবা সিওরিটি অমগদা মথং থাগী ২৬ ফাওবা কোর্টনা ইন্টরিম বেল পীখিবনি। অদুগা কোর্টনা লুপা লিশীং ৫০গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দশিং অমসুং সিওরিটি অমমমগা লোয়ননা বেল পীখ্রবা মীওই অনী অদুনা পাৎশোই সী দি ব্লোক ৱার্দ নম্বর ৬কী মেম্বর সামোম শান্তি (৪৩) মপুরোয়বা এস মেঘচন্দ্র, কোন্থৌজম মখা লৈকায় অমসুং লৈকায় অসিমক্তন্দগী কোঞ্জেংবম ঙৌবা (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে হৈনৌনি।

মখোয়গী মথক্তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ১ (২) ২০২১নি। কেস অসি প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (১) (এ) অমসুং ১৩ (২) অমদি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ বি অমসুং ৪২০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি। ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী ঙসি মখোয় মরিবু কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা ফোঙদোরকখিবা ৰাফমশিংদি মখোয় মরিমক পি এস অসিনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ১.৪৫ রোম তারকপদা পুলিস ষ্টেসন অসিদা লাকপদগী ফাজিন্দুনা থম্বনি।

লোয়ননা মখোয়বু ঙসি ফাওবগী ওইনা নুমিৎ ৪নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা থম্লকখিবনি হায়রি। অদুগা পুলিস ষ্টেসন অসিনা লৌখৎলিবা কেস অসিনা পাৎশোই সী দি ব্লোককী বি দি ও/জি আর এসনা মেন্টেন তৌরম্বা রেকোর্দশিংদা এন আর ঈ জি এসকী গাইদলাইনশিংগী ৰাংমদা পাঙথোকফম থোক্তবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লম্বগীনি হায়রি।

লোয়ননা সী দি ব্লোক অসিগী মখাদা জোব কার্দ নম্বর এম এন - ০৭-০০৬-০১৪-০০৬/৪৯-বি অসি য়ূম অমগী হেদ ওইরিবা কে ঙৌবা কৌবা মীওই অমগী মীংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুবু মহাক্কী লোয়নবী কে ললিতবীগী মায়কৈদগীসু জোব কার্দ হোল্দরগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক এপ্লাই তৌরকখি অমসুং 'কন্সত্রক্সন ওফ পাকা দ্রেন ওফ কোন্থৌজম ৱার্দ নম্বর ২' হায়রিবা নুমিৎ ১২গী থবক অসিগীদমক এপ্লাই তৌরত্তুনা থবক অসি শুবদা য়াওখি হায়রি।

হায়রিবা থবক অসি মার্চ ২১, ২০২০দগী হৌরগা মার্চ ৩১, ২০২০ ফাওবা নুমিৎ ১১নিগী ওইনা শুখিবনি। থবক অসি শুবা য়াওখিবগীদমক কে ললিতবীনা ফংফম থোকপা শেনফমনা ফাইনান্সিএল য়র-২০১৯-২০২০দগী লুপা ২,৪০৯নি হায়রি। অদুবু মহাক্কী ফংফম থোকপা শেনফম অসি মহাক্কী একাউন্টতা ভিজিলেন্সনা ভেরিফিকেসন চত্থবা নুমিৎ ফাওবদা চঙলমখিদে হায়রি।

অমরোমদনা, স্কিম অসিগী গাইদলাইনগী ৰাংমদা কে ঙৌবগী মীংদা জোব কার্দ নম্বর এম এন - ০৭-০০৬-০১৪-০০৬/৪৯০-বি রেজিষ্টর তৌনা তৌনা মহাক্কী লোয়নবী কে ললিতবীগী মীংদসু জোব কার্দ নম্বর এম এন - ০৭-০০৬-০১৪-০০৬/৫৯-এ অসি রেজিষ্টর তৌশিল্লম্বনি হায়রি।

অদুগা অরানবা অসিগী মথক্তা কে ললিতবীবু ফাইনান্সিএল য়র - ২০১৮-১৯ অমসুং ২০১৯-২০গী মখাদা লুপা ১৫,০৬০গী খূৎশুমল ফংনবগীদমক নুমিৎ ৭০নিগী চত্থিবা তোঙান তোঙানবা থবকশিংদা শরুক য়াদুনা শুহল্লম্বনি হায়রি। অদুবু হায়রিবা থবক অসি মহাক্না শরুক য়াদুনা শুরবসু মহাক্কী একাউন্টতদি চঙফম থোকপা খূৎশুমলগী শেনফমশিং চঙহল্লমদে।

অদুম ওইনমক কে ললিতবীনা নুমিৎ ৭০নিগী থবক শুখিবা অদুগী ফংফম থোকপা শেনফমশিংগী মনুংদগী নুমিৎ ৫৮নিগী খূৎশুমল লুপা ১২,৪৩২ অদুদি য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চতা মতম কুইনগী মমাঙদা লৈখিদ্রবা কোন্থৌজম ইবেচৌবী মপুরোয়বা লৈখিদ্রবা কে গুলাপ কৌবা কোন্থৌজম মখা লৈকায়দগী মীওই অমগী একাউন্ট নম্বর ২৩৭১০১০০০০৯১১০ (বেঙ্ক ওফ বরোদা) দা চঙশিল্লমখিবনি হায়রি।

হায়রিবা থৌওং অসি থবক শুবা য়াওজরুবী কে ললিতবী খঙহন্দনা তৌরম্বা থবকনি অদুগা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী একাউন্টতা কে ললিতবীনা ফংফম থোকপা শেনফমশিং চঙশিল্লুবা অদুসু থেঙ্খাং অহুল্লক্তা - ওগষ্ট ৮, ২০১৯ দা লুপা লিশীং ২৫০০, নবেম্বর ৩০, ২০১৮দা লুপা ১৯০০ অমসুং এপ্রিল ৯, ২০২০দা লুপা ৫২০০ ৰিদ্রোৱল স্লিপশিং শীজিন্নদুনা লৌথোক্লম্বনি হায়রি।

মসিগী মথক্তা পাৎশোই সী দি ব্লোককী কোন্থৌজম - ৬তগী এস অপাবী মপুরোয়বা লৈখিদ্রবা এস সনাজাওবা কৌবী নুপী অমগী মীংদসু জোব কার্দ অনী তোঙান তোঙানবা নম্বরশিং - এম এন - ০৭-০০৬-০১৪-০০৬/৩৫ অমসুং এম এন -০৭-০০৬-০১৪-০০৬/৩৮ শাদুনা পীশিল্লম্বা থৌওংসু চত্থরম্মী হায়রি।

মসিদা নত্তনা য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চতা লৈরিবা বেঙ্ক ওফ বরোদাদগী অপূনবা শেনফম ওইরিবা লুপা ১,৭০,৯৫১গী শেনফমসু জেব কার্দতা থোক তৌবা কাঙবুশিং অসিনা লৌথোক্লম্বা থেংনখি হায়রি।

মরমশিং অসিনা মখোয় মরিগী মথক্তা লৌখৎলিবা কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগীদমক মখোয় মরিবু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

## লম লৈবা-য়োনবদা রিভেন্যু মিনিষ্টরনা চ্যেরমেন ওইবা কম্মিটিগী ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈগদৌরিবা মীওই অদুগীদমক মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী খূত্থাংদা পুলিস ভেরিফিকেসন পাঙথোক্কদবনি। অদুগা লম নৎত্রগা প্রোপর্টি লৈগদৌরিবা মীওই অদুনা শীজিন্নগদৌরিবা শেনফম অদু কদাইদগী লাকপনো হায়বসিগী মতাংদা ইনক্কারি তৌগদবনি অমসুং মহাক্কী মতাংদা ক্রিমিনেল এন্টিসিদেন্টশিং লৈব্রা হায়বদুসু ইনক্কারি তৌগদবনি হায়বসিনি।

অহুমশুবা কন্দিসননা লম নৎত্রগা প্রোপর্টি লৈবা-য়োনবা তৌনবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক অসি মণিপুর লৈঙাক্কী লো মিনিষ্টর অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা মেম্বরশিং ওইবা অদুগা রিভেন্যু মিনিষ্টরনা চ্যেরপর্সন ওইবা কেবিনেট সব কম্মিটি অমনা অয়াবা পীগদবনি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক মতম কুইনা লম লৈবা-য়োনবগী মতাংদা পাঙথোকফম থোকপা রেজিষ্ট্রেসনগী থবকশিং থিংজিন্দুনা থম্লক্লবা মতুং অথিংবা অদু লৌথোকখ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী রিভেন্যু দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থোরক্লিবা ওফিস মেমোরেন্দম অসিদা য়াওরিবা অহুমশুবা কন্দিসন অসিনা লম অমসুং প্রোপর্টি লৈবা/য়োনবগা মরী লৈনরিবা মীওইশিংদা মরম চাদনা হরাসমেন্ট পীরে। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা থবক অসি ইল্লিগেল ওইবা থৌওংনি অমসুং কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৪, ১৯ অমসুং ২১নচিংবনা পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিং ভাইওলেট তৌদুনা খোঙ্গাওনবনি হায়বসিনি।

মরম অসিনা জুলাই ৭, ২০২১দা সেক্রেটরিএট : রিভেন্যু দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি অমনা থোরক্লিবা ওফিস মেমোরেন্দম অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু হায়দুনা সিভিল রিট পিটিসন অমা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি।

রিভেন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিস মেমোরেন্দম অসিবু চেলেঞ্জ তৌরক্লিবা পিটিস্নর অদুনা কোংবা উচেক্কোনদগী মোইরাংথেম সনাজাওবা (৪৮) অপোকপা এম বিধু কৌই। মহাক মণিপুরগী লো প্রাক্টিস্নর অমসু ওইরিবা এদভোকেটনি।

মহাক্কী পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (রিভেন্যু) অমসুং সেট্টলমেন্ট ওফ লেন্দ রেকোর্দস, মণিপুরগী দিরেক্টরনি।

পিটিস্নরনা মখা তানা কোর্টতা ৰাকৎলিবনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী চত্থরক্লিবা থৌওং অসি অদুঙৈ লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ফর্টিলাইজর কোর্পোরেসন কাঙ্গোন য়ুনিয়ন, সিন্দ্রি ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অদরস অমসুং 'পিপলস য়ুনিয়ন ফোর দেমোক্রেটিক রাইটস এন্দ অদরস ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া' গী তোঙান তোঙানবা কেসশিং অসিগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীখিবা ওবজার্ভেসনশিং অদুগীসু মায়োক্তনি। ওর্দর অসিনা লায়রবা অমসুং করিসু খঙজদবা নৎত্রগা শেল থুমগী লম্দা শোথরবা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী কন্সটিট্যুসনেল অমসুং লিগেল রাইটশিং ভাইওলেট তৌবনি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী রিভেন্যু দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী চত্থরক্লিবা থৌওং অসিগী ইল্লিগেলিটি, ইরেস্নেলিটি অমসুং প্রোসিদ্যুরেল ইমপ্রোপ্রাইটিগী মতাংদা জুদিসল রিভিয়ু অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা তৌহনবীফম থোকই হায়বসিনি। অদুগা মশামকসু এদভোকেট ওইরিবা পিটিস্নর অসিনা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিগী অরোইবা ৱায়েল কোর্টনা পীদ্রিঙৈগী মনুংদা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (রিভেন্যু) না জুলাই ৭, ২০২১দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অসিদা য়াওরিবা লো মিনিষ্টর অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা মেম্বরশিং ওইবা অদুগা রিভেন্যু মিনিষ্টরনা চ্যেরপর্সন ওইবা কেবিনেট সব কম্মিটিগী অয়াবা য়াওদ্রবদি লম অমসুং প্রোপর্টি লৈবা-য়োনবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারোই হায়রিবা ৰাফমসি চৎনহন্দনা থম্বীয়ু হায়বসিনি।

মেট্টর অসি ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অমগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌখ্রে। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল মুরতাজা অহম্মদনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী গভর্ণমেন্ট রেসপোন্দেন্ট অহুম্মক্তা মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি।

**URGENTLY WANTED**
**GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE**

অথুবগী ওইনা Govindajee Gold Mortgage তা থবক তৌনবা মীওই 4 পামজৈ।

- সনাগী মরমদা মুননা খংবা মীওই অমা পামজৈ। মশাগী চহি 25 দগী 50 ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনী।
- Class XII passed তৌরবা মীওই অনি মশাগী চহি 22 দগী 35 ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনী।
- Class VIII passed তৌরবা Sweeper অমা।

N.B.: G.G.M. কী হান্নবা শিজিন্নরম্বা Phone No. অদু য়াখিদবনা মরম ওইদুনা মখাগী অনৌবা No. অসিদা সনা থম্বীনিংবা অমদি লৌথোকনিংবশিংনা পাও ফাওবীরকপা য়াগনি।

*For details, please contact,*
**GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE**
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building, Palace Compound, Govindajee Road, Near Andro Parking, Imphal East, Manipur-795001
Office Timing : 7:30 a.m. to 6:00 p.m.
Phone No.: 7085591070/9485254065

HL-B/7219/15/10-14/11